HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



এস পি আই সী এম এ সী এ ৱাই, কেরলানা শীন্দুনা নুমিৎ ৪নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা থাঙ তাগী লেকচর-দেমোন্সট্রেসন প্রোগ্রামগীদমক ওজা চিংথাম রঞ্জিৎনা লাইগী থৌরমশিং পাঙথোকখিবা


লৌশিং পূক্কে : অকোয়বদা মরাং কায়না ফংলিবা লফোই... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ ট্যুসন থাবদা ঙাওজবা মমা-মপা ওইবশিংদা

ফাগি মাল্লবা লাইশুগী মঙাল য়াওদ্রবা লমদমসিগী মীয়াম ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ লৈঙাক পায়রিবশিংগী মরক্তা তোখায় তান্নবনা...

মহারাষ্ট্র মীখলঃ এন সী পিগী মীরেপ ৪৫গী মীং ... ☛ লামায় ৮

লামায় ১০ ☛ য়ু-১৭ এসিয়ন কপ ক্বালিফায়র্স : হৌদোকপা ...






দিষ্ট্রিক্ট মলেরিয়া ওফিসর (দি ভি বি দি সী পি), ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা ভেক্টর বোর্ন দিজিজশিংগী মতাংদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবশিং

Vol. 48, Issue No. 201 | শগোলশেন, মেরাগী ২৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, October 24, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# ম্যান্মারগী ঙমখৈ মনুংদা য়ু জি মশেল খূৎ থোক্লখ্রে, অশি অনা য়াওখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) :**

লৈবাক অসিগা শাইজিন লোন্নরিবা ম্যান্মারগী ঙমখৈ মনুংদা ওইরবসু মণিপুরগা নক্না তাইনরিবা লৈবাক অদুদা বেজ তৌবা পি দি এফ অমসুং কে এন এফ -বিগী অপূনবা খূৎপু অমগা ম্যান্মারদা লৈবা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক্কী লালহৌলূপশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখিবা থৌদোক্তা নাকল অনীমক্তা মীশি-মীনা য়াওখ্রে হায়রি।



থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা, থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৫ রোম তারকপদা মণিপুরগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকা তাইনবা ম্যান্মারগী ঙমখৈ মনুং ওইরিবা 'লাল্লিম' হায়না খঙনবা মফম অমদা থোকখিবনি হায়রি।

থৌদোক থোকখ্রিবা মফম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# পোলিটিক্সতা 'ফুলষ্টোপ' লৈতে হায়বদু চুমগদৌরিব্রা চীফ মিনিষ্টর শিল্লবদি শৌগৎপা তোকপগী ৱারেপ তপথখিদৌরি

## এন পি পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরিনা লুচিংবা মীহুৎ ৪ থুংলরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) :**

থা ১৮ শুজিল্লক্লবা মণিপুরগী লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবনি হায়দুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা খূৎমারক্তুনা থা অসিগী ১৫দা ন্যু দেল্লীগী খান মার্কেট মনাক্তা লৈবা ২০-সুব্রমনিয়ম ভারতি মার্গতা লৈবা মিনিষ্ট্রিগী ওফিসতা মণিপুরগী নাগা, কুকি অমসুং মীতৈ এম এল এ-মিনিষ্টরশিংগা তোঙান-তোঙান্না



এন পি পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি (ও) জেমস সংমানা লুচিংবা মীহুৎশিংনা এয়রপোর্টতা থুংলবদা নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম জয়কুমারনা তরাম্না ওকখিবা *(ফোটো : এন এস মঙাং)*

উনখিবা অদুগা ইকান কান্নদনা মণিপুর লৈঙাক্কী এম এল এ-মিনিষ্টর ১৯না প্রাইম

## নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই জয়কুমারনা লো এন্দ ওর্দর অমসুং পোলিটিকেল সিনারিওগী রিপোর্ট থমখ্রে, এন পি পিগী এম এল এ ৭কী মনুংদা এন কাইসি অমসুং টি ঐচ শান্তি নত্তনা এম এল এ ৫গা উনখ্রে

মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখি হায়বা ৱাহৌদগী মসিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লবক্লিঙৈগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# চীফ মিনিষ্টর শিন্দোক্লবা এম এল এ খরনা তাল্লিবসি দেমোক্রেসিদা মাগী-মাগী অপাম্বা হায়বদুনি : বিরেন

### লমায় ৩দা

- ওক্টোবর ২৫দগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক চখ্রগনি।
- ককচীংগী য়ুকো বেঙ্ক লুট তৌখিবা মীওই পুলিসনা ফারে।
- চুড়াচান্দপুরদা নন লোকল অমনা নুপীমচা অমদা মখূৎ শাংলুবদগী ঈরাং থোকখ্রে।
- ইপু মায়চৌগী শুরুং কিন্থরক্লে।

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা হৌজিক লম্বী থোংগী ফীভম কা হেন্না ফত্তবনা মীয়াম্না চাউনা অৱাবা মায়োক্লরিবসিগা মরী লৈনবা ইম্ফালগী সিটি অমসুং অর্বান এরিয়াগী লম্বীশিংদি কনক্রিট রোদ ওল্লগদবনিনা পোট হোলগুম্বা মেনবা নত্তনা লম্বীশিং অসি শেমজিনবগী অচৌবা ৱার্ক প্রোগ্রাম অমত্তা পায়খৎলরোই হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।



অমরোমদা, এম এল এ মিনিষ্টর ১৯না মহাকপু শিন্দোক্লবা দিমান্দ তৌবগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাক্না পাউমীশিংদা হায়, দেমোক্রেসি ওইবনা মাগী-মাগী অপাম্বা তৌবনি। মমাঙদা মসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর উননবা খূৎয়েক পীনখিবা লৈ হায়বা তাই। লৈঙাক অসিগী মনুংদা চিংখাইনবগুম্বগী ফীভম করিসু লৈতে। মীয়াম্না হেন্না উরবনি, ঐখোয়না তৌগদবা থবক তৌরগা লোইরে হায়খি।

ৱাফমশিং অসি ঙসি মহাক্কী বঙ্গলোগী দরবার হোলদা পাঙথোকপা পাউজী মীফমদা ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, নোং চুবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## হকচাং ১ লৈরক্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) :**

ঙসি অয়ূক পুং ৮ লোম তারকপদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সিংহাট পি এসনা কোনবা খজাং খুলদা খমথানলিয়ন (৪২) কৌবা মীওই অমগী অশিবা হকচাং লৈরক্লে হায়রি।

# লান লোইদ্রিবনা হন্দক্কী নিঙোল চাক্কৌবা করম থোক্লগদগে লৈখাই তাদ্রিঙৈদা ফিশরিজ লোয়শঙনদি ঙা কিলোগ্রাম লাখ ১.৫ পুথোক্লবা থৌরাং তৌরক্লে

এন এস মঙাং

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হৌরকখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না খামদবদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তবদগী হন্দক্কী চহী অসিগীসু মীতৈশিংগী চহী অমদা নোংমা খক্তমক পাঙথোকপা 'নিঙোল চাক্কৌবা' গী থৌরম করম থোক্লগদগে লৈখাই তাদ্রবসু মণিপুর লৈঙাক্কী ফিশরিজ লোয়শঙনদি নিঙোল চাক্কৌবা অসিগীদমক মহৌশাগুম্না ঙাগী মেলা পাঙথোক্তুনা চাউরাক্না ঙা কিলোগ্রাম লাখ ১.৫ রোম পুথোক্লবা থৌরাং তৌরক্লে।



ফিশরিজ লোয়শঙগী দিরেক্টর ঐচ বালকৃষ্ণ

নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোক্কদবা নুমিৎ নকশিল্লকপগা ইরোয়ননা লৈঙাক্কী ফিশরিজ লোয়শঙনা থৌরম অসিগীদমক মহৌশাগুম্না করি করম্বা থৌরাংশিং লৌখৎলিবগে খঙদোক্লবা

লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টর হৈস্নাম বালকৃষ্ণগা উনরুবদা মহাক্না হায়, চহী মঙাগী মতুংদদি মণিপুর ঙাদা মীপাল তাংদবা লমদম অমা ওইরগনি হায়রকখিবগা লোয়ননা চহী খুদিংগী পাঙথোরকখিবা নিঙোল চাক্কৌবা থৌরমগীদমক লোয়শঙ অসিনা হৌখিবা কুমজা ১৯৭৯দগী হৌরদুনা ঙাগী মেলা পাঙথোক্তুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# নিঙোল চাক্কৌবা অমসুং দিৱালিদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংনা শাজবা পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা খুদোল তম্বীয়ু : ঈ জিতেন

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্‌টস দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরগী মফম কয়াদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা ইনমেটশিংনা শাবা পোৎলমশিং নীংথিজনা পেকেজিং তৌদুনা মার্কেটিং তৌবগী থবক চথরি হায়রদুনা কোর্পোরেসন অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর ঈ জিতেননা লাক্লিবা নিঙোল চাক্কৌবা অমদি দিৱালি কুম্মৈদা ইনমেটশিংনা শাবা কোর্পোরেসন অসিনা নীংথিনা পেকেজিং তৌরবা পোৎলমশিং নুংশিজরবা ইচে-ইচলশিং য়াওনা মীয়ামদা খুদোল তম্বদা শীজিন্নবীদুনা ইনমেটশিংবু পূক্নিং থৌগৎপীয়ু হায়না পাউমীশিংগী খূত্থাংদা মীয়ামদা আপীল তৌখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি পাওনা কৈথেলদা লৈবা কোর্পোরেসনগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়, মমাঙ চহীগী মে ৩দগী চথরক্লিবা লান অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া লাঞ্জেন্নদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লি। অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা ইনমেটশিংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংলি। রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ইনমেটশিং অসি মশানা পামজবা শিনফম অমমম পীদুনা মখোয়না পুথোকচবা খূৎশা হৈবগী পোৎলমশিং য়াওনা পোৎলম কয়া পুথোক্লি অমসুং য়োল্লি। মখোয়না ...মখা লমায় ৩ কলম ৭




এটেন্সন : টেক্স দিদক্টরস

দিদক্টি দিপোজিট ঈ-ফাইল ইস্যু

মসিদি দিদক্টি অমসুং লৈবাক অসিদা নহাক্কী থৌদাংনি

মতম চানা টি দি এস থবক্তা ওন্থোক্কদবনি

**ঈ-ফাইল**

সেপ্টেম্বর ৩০, ২০২৪দা লোইগদবা ক্বার্টরগী ঈ-ফাইল টি দি এস ষ্টেটমেন্টনা

**৩১ ওক্টোবর ২০২৪**

নোংমদা লুপা ২০০গী লেট ফাইন পীদনবা অমসুং থেংথবগী লুপা লাখ ১ ফাওবগী পেনালটি মায়োক্লদনবা দ্যু দেট ৩১ ওক্টোবর ২০২৪গী মমাঙ নৎত্রগা নুমিৎতা নহাক্কী টি দি এস ষ্টেটমেন্ট ফাইল তৌগদবনি

**ইস্যু**

৩০ সেপ্টেম্বর, ২০২৪দা লোইগদবা ক্বার্টরগীনা ফোর্ম ১৬ এ (সেলরিদগী হেনবা ইনকমগী) না

**১৫ নবেম্বর, ২০২৪**

টি দি এস সর্টিফিকেট ইস্যু তৌবদা থেংথবগীনা সর্টিফিকেট অমমমদা থেংথবা নুমিৎ খুদিংমক্কী লুপা ৫০০গী পেনালটি মায়োক্লগনি

চেকশিল্লু

| নহাক্কী লৈরব্রা..... | নহাক্না শোয়দনা তৌগদবশিং...... |
|---|---|
| দিপোজিৎ তৌদ্রিবা দিদক্তৈদ ইনকম টেক্স ? | খুদক্তা টেক্স দিপোজিৎ তৌগদবনি |
| ত্রেসেসদা রেজিষ্টর তৌদ্রিবরা ? | https://www.tdscps.gov.in দা রেজিষ্টর তৌগদবনি |
| পান/চল্লানগী অশোয়বশিংগী মতাংদা সী পি সী (টি দি এস) তগী এস এম এস/ঈ-মেল ফংখ্রবরা | শোর্ট পেমেন্ট দিফোল্ট থোক্তনবগীদমক নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা পাঙথোক্কদবনি |
| নহাক্কী দিদক্টিশিংগীদমক অচুম্বা পান এন্টর তৌখিব্রা | অচুম্বশিং খঙদোক্লবগীদমক ত্রেসেস পোর্টেলদা পান-টান মাষ্টর ফেসিলিটি শীজিন্নৌ |
| দিদক্টিশিংদা টেক্সকী প্রোপর ক্রেদিট ফংহনখিব্রা? | ত্রেসেস (অশেংবা অকূপ্পশিং হায়দবনা পেনালটি মায়োক্লবা য়াই) ত্রেসেসতগী টি দি এস সর্টিফিকেট জেনরেট তৌবা ঙম্নবগীদমক টি দি এস ষ্টেটমেন্টদা চুম্না পেমেন্ট চল্লান তৌনবগীদমক নহাক্কী টান, দিদক্টিগী পান অমসুং সী আই এনদা চঙগদবনি |

টি দি এস সর্টিফিকেট দাউনলোদ তৌ :

- **ফোর্ম ১৬/১৬এ/১৬বি/১৬সী/১৬দি,** শিং অসি তঙাইফদনা ত্রেসেসকী পোর্টেল https://www.tdscps.gov.in দগী জেনরেট তৌগদবনি (ত্রেসেস পোর্টেলদগী দাউনলোদ তৌবা টি দি এস সর্টিফিকেট খক্তমক চৎনগনি)। পানদা লাল্লবা নৎত্রগনা ঈ-ফাইল্ড ষ্টেটমেন্টদা তোঙান্না তাক্ত্রবদি ত্রেসেস পোর্টেলদগী টি দি এস সর্টিফিকেট দাউনলোদ তৌবা ঙম্লোই।
- নন-পান নন-রেসিদেন্টস, অমসুং ফোর্ম নম্বর ২৭ ক্যুদগী দিদক্সনগী টি দি এস সর্টিফিকেট দাউনলোদ তৌবগী মহুত্তা ত্রাঞ্জেক্সন বেজদ রিপোর্ট (টি বি আর) দগী দাউনলোদ তৌগদবনি।

অহেনবা ইনফোর্মেসনগীদমক ক্যু আর কোদ স্কেন তৌ

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট
সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস

অহেনবা ইনফোর্মেসনগীদমক ক্যু আর কোদ স্কেন তৌ

অহেনবা ইনফোর্মেসনগীদমক য়েংবীয়ু : https://www.tdscpc.gov.in, www.incometax.gov.in

@IncomeTaxIndia | incometaxindia.official | @IncomeTaxIndiaOfficial | @incometaxindiaofficial | @Income Tax India Official

cbc15401/13/0006/2425